

ওল মণিপুর লেদি এদভোকেটস এসোসিএসন (এ এম এল এ এ)না শীন্দুনা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা লেদিস বারদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম

OBSERVANCE OF INTERNATIONAL WOMEN'S DAY

লামায় ৪

ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এ)না শীন্দুনা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে থৌরমদা দেজদা লেংশিনখিবশিং

INTERNATIONAL WOMEN'S
Theme : " Let us Carry the Struggle Forwa
8th March, 2021 (Monday)
Venue : Gandhi Memorial (G.M) Hall

লামায় ৪

নিংঙোল ক্লবনা শীন্দুনা হৈরোক পার্ট থ্রীদা লৈবা ক্লব অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরমদা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখিবা মীওইশিং

International Women's Day
NINGOL CLUB

লামায় ৭

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা জে এন দান্স একাদেমীদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

লামায় ৫

লুপা ক্রোর ২.৫৪ রোমগী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

আই জি এ আর-সাউথকী তেংনৌপল বট্টালিয়নগী ২৬শুবা সেক্তরগী মখাদা লৈবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা তেংনৌপলদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পুরকপা টাটা সুমো এন এল ০১ ঐচ-৪৩৪৩ অমা দ্রাইভরগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী তেংনৌপল চেক পোষ্টতা মোরেরোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা টাটা সুমো অসি খামদুনা চেক তৌবদা গাড়ীগী মনুংদা ব্রাউন সুগরনচিংবা পেকেট ৯৯ য়াওরমখি। মদুগী অরূম্বনা কেজি ১গা গ্রাম ২৭ নি হায়রি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা ক্রোর ২.৫৪নি হায়রি। হায়রিবা পোৎচৈশিং অদু গাড়ী অদুগী পেসেঞ্জরশিং ফম্বা মনিংগী সিট মখাদা নীংথিনা শেমদোক্লগা হাপ্লগা পুরকপনি হায়রি। দ্রাইভর অদুগী মমিংনা কে দোভিলে, অপোকপা এ কপকনি লালি কৌই। মহাক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তদুবীদগীনি হায়রি। পোৎকা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথুনবা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে।

দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশিং ৪০ গা কোন্ননা ২ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎকী মীৎয়েং মখাদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ও সী ইন্সপেক্টর জোন লমকাংনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা তেংনৌপল এরিয়াদগী হোন্দা সিটি কার এম এন ০৬ এল এ/৫২৩৮ অমা খামদুনা চেক তৌবদা য়াম্লবা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, থা অসিগী হৌখিবা ৫গী নুমীদাং পুং ৯.৪০ রোম তাবা মতমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমজাও অৱাং লৈকায়দগী কোইজম মালেমবোই (২৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে খোমি অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শজিক তম্পাক্তগী পাওমিলিয়ন জৌ (২৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা লিয়ানচিং থাংনি হায়রি। মখোয়দগী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৪০,০০০ ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি। হায়রিবা ময়াই কাবা দ্রগশিং অদুগী অরূম্বনা কে জি ৩গা গ্রাম ৯৮৬নি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু হিগোক মচুগী তোঙান-তোঙানবা পোলিথিন খাওশিংদা হাপ্লম্বনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা তেংনৌপল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা নুমীৎ ৭ নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

ওং সান সূ চি অমসুং থোইবীগী মীতম লোকচাও শান্তিপুরদা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি অমসুং ফোরৱার্দ ব্লোক্না পুন্দুনা লেফ্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা মালেমগী নুপীগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লোকচাও শান্তিপুরদা লৈবা ইরাবত মেমোরিএল লাইব্রেরী কমপ্লেক্সতা ম্যান্মারগী লুচিংবী নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সান সূ চিগী মীতম সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমর অমসুং মণিপুরগী মমিং লৈরবী রেভল্যুস্নরি পোইট থোইবীগী মীতম সী পি আই-এম মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

মালেমগী নুপীগী নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা ফোরৱার্দ ব্লোক মণিপুরগী সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বরনা ৱাকিং ৱিমেন ফোরম, এ আই টি য়ু সী মণিপুরনা ফোঙবা *ঐনা লম ৱিমেন্স ক্বেশন* হায়বা ভি আই লেনিন অমসুং ক্লারা জেটকিন অনীনা খন্ন-নৈনবা লাইরিক অমা রিলিজ তৌখি। মালেমগী নুপীগী নুমীৎ অসিদা মরুওইবা ৱাঙাংলোয় ওইনা সী পি আই মণিপুরগী লুচিংবা এল থোইরেন অমসুং আর এস পিগী লুচিংবা কাংজম মনোরঞ্জননা ৱা ঙাংখি হায়রি।

মণিপুরদসু ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

মালেমগী অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এ)না শীন্দুনা লেট অজ কেরি দি ষ্ট্রগল ফোরৱার্দ হায়বা থীমদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সিনিয়র লেকচর ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম কুঞ্জরানি অমসুং পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা হায়খি, মালেমসিদা নুপীশিংনা অৱাবা কয়া লিশাং শিংনা থেংনদুনা লাকপা অসি খঙবীদুনা মালেমসিদা অমদি খুন্নাই অসিদা নুপীশিংগী ষ্টেটস ৱাংখৎননবা থৌরাং থৌশিল কয়া অমা পায়খৎলক্লি। নুপীশিংবু সোসলি, ইকনমিকেল্লি, পোলিটিকেল্লি অৱাংবা থাক্তা পুখৎননবা হোৎনরি। মালেমগী নুপীগী নুমীৎনা লাকপদা নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি পুন্না থেংনমিন্নদুনা নুপী খুন্নাইগী তোপ তোপ্পা মশক অমা উৎপা ঙম্লগনি থাজে। চীন্দদি নুপীশিংসি অৱাংবা থাক্তা পুখৎলে হায়রবসু মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা নুপীশিংগী ফীভমদি ঙসিসু ফৎত্রি। মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা নুপী কয়া লাইরিক-লাইশুগী মঙাল নীংথিনা ফংবা ঙমদ্রি। হান্না লৈরম্বা চৎন-লোনচৎ অদুনা মরম ওইরগা নুপীশিংনা মনিং তম্বা ঙমদনা লৈরি। দিসিজন মেকিং বোদিশিংদা নুপীশিং মপুং ফানা য়াওহনগে হায়রবদি লোকল বোদিশিংদা চাদা ৩৩ নুপীগী সিট রিজর্ভ তৌদুনা থল্লিবা অসিগুম্না পার্লিয়ামেন্টতসু সিট রিজার্ভেসন থম্বা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম কুঞ্জরানিনা হায়খি, কুমজা ১৯৯৫দগী হৌনা এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এনা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মমাংঙৈদগী হৌনা খুন্নাই অসিগী য়াইফনবগীদমক নুপী ওইবীশিংনা থৌদাং কয়া য়াদুনা লাক্লি। নুপী-অঙাংদা চথুরক্লিবা ক্রাইমশিংসু থেংনরি। মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা ঐখোয়সু য়াওবা ঙম্নবা ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা খূদিংমক্কা চীং-তম খায়দনা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর লেদি এদভোকেটস এসোসিএসন (এ এম এল এ এ)না শীন্দুনা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা লেদিস বারদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পোক্সোগী ফাষ্ট ট্রেক স্পেসল কোর্ট নম্বর-১গী জজ সলাম ইমোচা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ আর কে মেমচা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্ট দব্লিয়ু তোনেন মৈতৈ, ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)গী প্রসিদেন্ট এম নিলাচন্দ্র অমসুং ওল মণিপুর লেদি এদভোকেটস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে বিনোদিনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা এদভোকেট এল রেবিদানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন অমসুং এদভোকেট এন বিনোদিনীনা এন এ এল এস এ (লিগেল সর্ভিসেস টু দি ৱর্কর্স ইন দি অন-ওর্গনাইজ সেক্তর) স্কিম ২০১৫ হায়বা হীরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

এস এস ইন্টরটেনমেন্টনা কোনুং লৈকায় নুপী কাঙলুপ (কে এল এন কে), ইম্ফাল, পফোর্মিং আর্টস, কলচর এন্দ এদ্যুকেসন (পি এ সী ঈ) ইম্ফাল অমসুং তিরঙ্গা ট্রষ্ট ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম হৈজিগাং লেন্দ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কোনুং লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ৱিমেন ইন লিদরশিপ : এচিভিং এন ইক্বেল ফ্যুচর ইন এ কোভিদ-১৯ ৱর্ল্ড হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা সোসল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী উপ-অধক্ষা ক্ষেত্রিময়ুম তমা, আই এম সী ৱার্দ নম্বর-১৯গী কোর্পোরেটর য়ুম্লেম্বম লুকামনি, খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায় জি পিগী প্রধান লাইরিকয়েংবম কাননবালা, তোপ দুসারা জি পিগী প্রধান ময়াংলম্বম সুরবালা, তিরঙ্গা ট্রষ্ট ইম্ফালগী এদভাইজর লৌবুকতোংবম সোভানা অমসুং কোনুং লৈকায় নুপী কাঙলুপকী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম মেমতোননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নাকল অমরোমদা, কে ভি কে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, উৎলৌনা শীন্দুনা উৎলৌদা লৈবা কৃষি বিজ্ঞন কেন্দ্র (কে ভি কে)গী কনফরেন্স হোলদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ৱিমেন্স লিদরশিপ ইন এগ্রিকলচর: ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ ইক্বিটি এন্দ ইম্পৱারমেন্ট হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এদিসনল সী ঈ ও ষ্টেট লেভেল নোদেল এজেন্সী মণিপুর ডা. আর কে সুনিতানা চীফ গেষ্ট, এক্স-য়ুনিয়ন মিনিষ্টর টি ঐচ চাওবনা প্রসিদেন্ট অমসুং কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র বিষ্ণুপুরগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদ ডা. আর কে ইমোতোম্বনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কোবীগী মৱ্দ লিবগী থবক নীংথিনা তৌবগী নেসনল এৱার্দ ফংখ্রবী কে থোইবী, ওর্গানিক দাইদা এৱার্দী ওইরিবী টি ঐচ নুংশিথোম্বী, থম্বালদগী ফাইবর পুথোক্তুনা মুগাগী ফি শাবগীদমক নেসনল এৱার্দ ফংলকখ্রবী বিজ য়াশান্তি তোংব্রম, ৱেটলেন্দ ৱাটর সেদ দিভলপমেন্টতা থিজিনবগী থবক তৌরিবা আর কে সুনিতা অমসুং ফুদ প্রোসেসিংদা মায় পাক্লবী এন অরুন্দয়েন্তিদা মখোয়-মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংগীদমক কে ভি কে বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী এপ্রিসিএসন সার্টিফিকেট পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

অমরোমদা, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা লুপ অসিগী শঙলেনদা মালেমগী নুপীগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মা, মপী কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল অমসুং লৈমকোলগী সেক্রেটরি ঙান্থোইনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ভারত বিকাস পরিষদ (বি ভি পি) মণিপুর প্রান্টনা শীন্দুনা চিংমৈরোংদা লৈবা নেক্সাদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে ২০২১গী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রম, বি ভি পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস রাজেন্দ্র অমসুং ৫০ বেদেদ আয়ুশ হোস্পিটাল লম্ফেলগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. এন জি মেম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাঙ্গৈ বজারদগী নুপী ওটোরিক্সো দ্রাইভর ওইনাম লাইবীবু তরাম্না ওকখি।

আই জি এ আর-সাউথকী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন, চান্দেল বট্টালিয়ন অমদি সোমসাই বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, নম্বোলগী এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজনা হোম সাইন্স এসোসিএসন মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা মালেমগী নুপীশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হোম সাইন্স এসোসিএসন মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ অনুরাধানা হৌদোকখিবা থৌরম অদু এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. দব্লিয়ু রোবিন্দ্রোনা প্রিসাইদ তৌখি। কোলেজ অসিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. এন জয়কুমার, নম্বোল ম্যুনিসিপালিটি কাউন্সীলগী মেম্বর ওইরম্বা লুক্রম সুমিলা অমদি ৱিমেন্স ষ্টদিজ সেন্টরগী দিরেক্টর দব্লিয়ু কুঞ্জরানি চনুনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ককচিংদা নুপীশিংগী ফিল্ম ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

মালেমগী নুপীশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা নুপীশিংগী ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২০-২১ ঙসি ককচিংদা হৌদোকখ্রে।

ফেদরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটিজ ওফ ইন্দিয়া (এফ এফ এস আই)না মালেমগী নুপীশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী মফম ৩০দা পাঙথোকপা ৱিমেন্স ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২১গী শরুক অমা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল হৌদোকপা অদুদা কে ঐচ সুন্দরি, থবক্তগী পোত্থারবা পদ্ম রত্না ইংলিস স্কুল, ককচিংগী প্রিন্সিপালনা অথোইবা মীথুং, পি রঘু, প্রিন্সিপাল খা মণিপুর কোলেজ, ককচিং অমসুং এম কুঞ্জকিশ্বর, ভাইস প্রসিদেন্ট লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিং অনীনা থৌরম মপুশিং অমদি মাখোনমনি মোংসাবা, শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর, মেঘচন্দ্র কোংব্রম, প্রসিদেন্ট ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুর অমসুং উত্তমকুমার নাওরেম, দিরেক্টর লাইব্রেরী ঠিএটর ককচিং অহুম্না অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিং, ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুর, সিনে ক্লব, খা মণিপুর কোলেজ, ককচিং অমসুং ইমেজ টি ভি, ককচিংনা ফেদরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটিজ ওফ ইন্দিয়া (এফ এফ এস আই)গী লমজিং মখাদা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিদা নুপীশিংখক্তনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম দি দে আই বিকেম এ ৱিমেন (দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ২০১৯), দিরেক্টর মৌপিয়া মুখর্জী, ইন দি লেন্দ ওফ পোইজন ৱিমেন, পাংচেনপা, (ফ্যুচর ফিল্ম ২০১৯), দিরেক্টর মঞ্জু বোরাহ, ইমেজিনরি হোমস, পঞ্জাবি (সোর্ট ফিক্সন ফিল্ম ২০২০), দিরেক্টর প্রিয়া নরেশ, ষ্টেন্দ অপ, মলয়ালম (ফ্যুচর ফিল্ম ২০১৯) দিরেক্টর ভিধু ভিনসেন্ট, এনাহিতাস লো, দিরেক্টর ঔরভাজি ইরানি, রন কল্যানি, দিরেক্টর গীথা জে হায়রিবা ফিল্মশিং অসি নুমীৎ ২ চুপ্পা উৎকনি হায়রি।

ময়াম্বনা মনাওনুপা কনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :

থরোইজম মমাং লৈকায়দা লৈবা শুপ্নগী চহী ৫ গা থা মরি খক্তা ঙাইরিবা থরোইজম রনাবতা অপোকপা থরোইজম শান্তিকুমারনা মহাক্কী মনাওনুপা থোকপা থরোইজম ৱিল্লিয়ম (৫) অপোকপা থরোইজম প্রেমজিৎ হায়রিবা অঙাং অসি পুখ্রিদা তাদুনা লৈরম্বদগী মতম চানা থেংনদুনা মমা মপাদা পাউ পীদুনা কনবা ঙমখ্রে।

মসিগীদমক থৌনা লৈরবা থরোইজম রনাবতাবু পিছ হ্যুমেনিটি এন্দ সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব (পি ঐচ এস দি সী) কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না পি ঐচ এস দি সীগী জেনরেল সেক্রেটরি সলাম সন্তোসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচএনএস):

ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, নেসনল হেল্থ মিসনগী য়ুনিট অমা ওইরিবা ষ্টেট ভাইরেল হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এস ভি ঐচ সী পি)না কম্যুনিটি নেটৱর্ক ফোর ইম্পাৱরমেন্ট (কোন)গা খূৎশম্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি দ্রগ শীজিন্নরিবা মীওইশিংগীদমক হেপাটাইটিস সী ভাইরস (ঐচ সী ভি) অমসুং হেপাটাইটিস বি ভাইরস (ঐচ বি ভি)গী স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা কোনগী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্তা রাজকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল ভাইরেল হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা অহানবা ওইনা ফেব্রুৱারী ২৪দা সী এম ও বিষ্ণুপুরগী কনফরেন্স হোলদা স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখি।

থৌরাং অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কনফরেন্স হোলদা দ্রগ য়ুজরশিংগী স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসর ইন-চার্জ ডা: ৱাই নোকুল, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা: সীঐচ মেমচা অমসুং কোনগী প্রসিদেন্ট আর কে নলিনিকান্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

ঐচ সী ভি অমসুং ঐচ বি ভিগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামদা পূন্না মীওই ৫৯ শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীওই ৪৬তা স্ক্রিনিং তৌখি। মীওই ২৪দা ঐচ সী ভিগী এন্টি-বোদি য়াওরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ৪ ঐচ সী ভি অমসুং ঐচ বি ভিনা পূন্না ইনফেক্ট তৌরম্বা থেংনখি।

মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামদা ডা: ৱাই নোকুল, ডা: সীঐচ মেমচা অমসুং আর কে নলিনিকান্তনা ৱা ঙাংখি হায়রি।

লেম্না কন্নেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

আর বি দি ইন্দেন সর্ভিসনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল ৱিমেন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা আর বি দি ইন্দেনগী প্রোপ্রাইটর জি রোবিন্দ্রো অমসুং জি ব্রজবালানা নুপীশিংদা এপ্রোন, গ্যাস লাইটর, গ্যাস সিলিন্দর ট্রোলি অমদি অথুম-অহাওশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবী মপুরোইবা কায়নখ্রবী অমসুং মচাসু দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন ওইদুনা অৱাবা মায়োক্ন রিবী লায়রবা নুপী অমগী ইমুংদা লেম্না গ্যাস কন্নেক্সনসু পীখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী এ সী টু দি সী বি লোকেশ্বর শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

নুপীশিংগী রাইট ফংনবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

মালেমগী নুপীগী নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ (বি এম এস) হায়রিবা নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনা ঙসি মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৩গী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংদা হকথেংননা রেল্লি অমা চৎতুনা মখোয়গী দিমান্দশিং য়াওবা অইবা চেরোল অমমম দি সীগী খুথাংদা প্রাইম মিনিষ্টর য়ৌনবা পীখ্রে।

মরুওইবা দিমান্দশিংদি কুমজা ২০২০গী এদ্যুকেসন পোলিসীগী মতুংইন্না মণিপুরদসু অঙ্গনৱাদি সেন্টর খূদিংমক্তা প্রি-প্রাইমারীগী থাক্তা ওনবীয়ু। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী পোৎফম লৈঙাক্না মফম চানা পীবীগদবনি লোয়ননা ফসাই কার্দ হোল্ডরশিংগী হোটেল ফল্লিবশিংগী মফম চাবা অমা শীনবীয়ু। অঙ্গনৱাদিদা থবক তৌজ রিবশিংদা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী থাক্তা মান্নহনগদবনি। লোয়ননা অনৌবা পে ষ্ট্রকচর পীগদবনি।

বেঙ্ক অমদি হোস্পিটালনচিংবদা নুপীশিংতগী ওইবা কাউন্টর হাংবীয়ু। আশা ৱর্করশিংগী মিনিমম ৱেজ লুপা ১৮,০০০দা ফংহল্লু, ইমপ্লোয়শিং ষ্টেট ইন্স্যুরেন্স কোওপরেসন হোস্পিটাল অথুবা মতমদা হাংবীয়ু অমদি লোকল সর্ভিস তৌরিবা পেসেঞ্জরশিং পুরিবা বসশিংদা লেদিস সাইট থম্বীয়ু হায়বনচিংবা য়াওরি।

ঙসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ৌনবা দি সীগী খুথাংদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা ওফিসশিং অদুদি উখ্রুলগী দি সী ওফিস, তেংনৌপল, মোরেগী এ দি সী, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, নোনে, তমেংলোং, চুড়াচান্দপুর, বিষ্ণুপুর অমদি জিরিবাম দি সী ওফিসনচিংবনি হায়রি।

অপাল কংলৈপাক্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ অমদি সেঞ্জম ৱাখল্লমচিংবা, দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টনা এগজিক্যুটিভ ওফিসর অমদি মৈস্নাম দেবদত্তনা মেম্বর সেক্রেটরি ওইদুনা মীওই ১১ না শাবা বোর্দকী থৌপু কাঙলুপ অমনা হয়িং খোংবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী অনীগী মশাইকোলদা ৱাশক লৌখিববু অমাই পিবা অপূন লূপ (অপাল) কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অপাল কংলৈপাক্কী জেনরেল সেক্রেটরি কোন্সম জিতেন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি মরা চেৎপা, চাকহোং ঙাহোংবা, ঈং-তপ্পা, মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগাই পুবা ঙম্বা, লমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা নাৎকী চৎন-লীক্লমশিং ঙাকচবা ঙম্বা, মীয়ামগী থবক থৌরম কয়াবু মতম শাংনা থৌনা লৈনা তৌবদা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী অনীনা মতম চুপ্পদা থৌজালবীয়ু হায়না থম্মোয় শেংনা অপাল কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী থৌনিজরি। লোয়ননা অনৌবা বোর্দকী ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা থম্মোয় শেংনা থৱায় হকচাং য়াওনা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববুসু ঙমখৈ লৈতনা অপালগী মায়কৈদগী থাগৎচরি।

লমদমসিগী পুৱারীদা মতম চুপ্পদা লেঙদনা লৈহৌরগদবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর য়াংমাসো সাইজানা এল এস টি বি অসি শেম্বীদুনা ইনাৎ লাইনিংগী অচৌবা খুদোল অমা তম্বীরম্বদগী চহী ৪৪গী মতুং অসিদা চীফ মিনিষ্টর অমনা বোর্দ অসিগী ইহান হানবা প্রসিদেন্ট ওইরকপা মীওইদি সী এম এন বিরেননা অহানবনি। মসিমক লমদমসিগী পুৱারীদা লাচল শেমদুনা লৈহৌরগদবনি। নৌনা ৱাশক লৌরকখ্রবা বোর্দকী থৌমী পুন্নমকপু অপাল কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি। লাইশঙ অসিদা লৈফম থোকপা মাইবা, অমাই-পিবা, মাইবী, ৱারী লীবা, পেনা শকপা, ঈশৈ শকপা, পুঙ য়ৈবা, লুক হৌবা অমদি অরাংফম ফম্বশিংগী ওইবা লোয়শঙশিং পীকপা চাউবা থিদনা চপ চানা হাংদোক্তুনা থম্বীনবা হায়জরি। লোয়ননা লোয়শঙ অসিদা লাই খুরুম্বা লাকপা মতমদা ঙাইহাক লৈতনা চঙথোক চঙশিন্দা অয়েৎ-অপন থোক্লিবা অসি লাইগী পরম কায়দনা অচঙ থোঙ অমা থম্বীনবসু অপাল কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর অমদি বোর্দকী থৌ পুবশিংগী পূক্নিং চিংশিনজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্কী অশোয়বনি : সী পি আই

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতগী অঙ্গনৱাদি ৱর্কর অমসুং কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা লৈখিদবা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বনি লৌই হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বীদগী অঙ্গনৱাদি ৱর্কর অমসু কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লুরবা মতুংদা লৈখিদবগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈদা অনীশুবা ওইনা জিরিবামদা অঙ্গনৱাদি ৱর্কর অমসু লৈখিদবা অসি লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা লৈঙাক্না মপুং ফানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি। লৈখিদ্রবা অঙ্গনৱাদি ৱর্কর অনীমক কোভিদ থেংননবা হোৎনরিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর অমা ওইরম্বগী পীফম থোকপা শেনফম পীগদবনি। অঙ্গনৱাদি ৱর্কর অনীমক্কী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫০/৫০ শুংশোয়শোয়দনা পীগদবনি।

অমরোমদা, পেট্রোল মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। অদুমকপু পেট্রোলগী মমলদি অতৎ অখম লৈতনা হেনগৎলক্লি। মসিগীদমক অকনবা মুভমেন্ট তৌগদবদু লৈঙাক অসিনা মীবু হেক্তা ফাজিনবা অমদি মরাল লৈত্রবসু খরদং ঙাংজবদা হেক্তা জেলদা থম্বগী থৌওং চথুরবনিনা মীয়াম কিনরে। মসিমক দিমোক্রেসিবু খোঙ্গোয়নবনি। পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল লেপ্তনা হেনগৎলকপনা মীচম মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লে। ঙসিসু রাজ্য সভাগী বডজেট মীফমদা ওপোজিসন এম পিশিংনা থাউগী মমল হস্থহন্ননবা ৱাফম পুখৎলকপদা চরাংনবা থোকপদগী মীফম মপুং ফাহনখিদে। মণিপুর লৈঙাক্নসু মীচম মীয়ামগী য়েংদুনা পেট্রোল অমদি দিজলদগী লৌরিবা ভেট অমসুং এক্সাইজ দ্যুটিজ হস্থহন্ননবা হোৎনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

আর এস এফকী ৱাফম কন্দেম তৌই : মুসু

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা মার্চ ১দগী মার্চ ৬ ফাওবা চথুখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিক ২০২১ লোইশিনবগী নুমীৎতা পাঙথোকখিবা থাবল চোংবগী থৌরম অমদা আর এস এফনা পাউচেশিংগী খুথাংদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না ফোঙদোরক্লি।

মুসুগী প্রসিদেন্ট মাইবম মাইকেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আর এস এফনা মীদিয়াগী থোঙদা থম্বীরকখিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা মুসুগী মায়কৈদগী ৱাফম খরা থমজরি। মুসুনা চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোকচখিবা এম য়ু ৱিক ২০২১দা স্পোর্টস অমদি কলচরেল ইভেন্টনচিংবা কয়া মায় পাক্না পাঙথোক্লবা মতুং লোইশিনবা নুমীৎতা ষ্টুদেন্টস কম্যুনিটিগী ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম ওইনা থমজখিবা থাবল চোংবগী থৌরম অদুদা মুসুগী মায়কৈদগী থোইদোক্না য়েংবদা নুংঙাইরোইদবা, মীৎ নাগদবা অমদি ঐখোয়গী সোসাইটিদা মরিং-মরাংবা য়াবা কা হেনবা থৌদোক থোকখিবা লৈখিদব্রা হায়না খঞ্জে। মরমশিং অদুদি মেন গেটতা সিক্যুরিটিশিংনা চেকশিন্না চেক তৌখি। দ্রেস নাতে চাদবা শেৎপা মওং তাদবা মী অমত্তা চঙহনখিদে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মনুংদা মরুওইনা লেদিস হোষ্টেলদা লৈরিবা লম্বীশিং অমদি থাবল চোংফমগী অকোয়বদা সিক্যুরিটিশিংনা নীংথিনা ঙাক শেনখি। লোয়ননা ওজাশিং য়াওনা অশোয়-অঙাম য়াওদনবা হৌবদগী লোইবা ফাওবা শেন্নদুনা লৈখি। মুসুনসু পামদবশিং থোক্তনবা চেকশিন্না ভলন্টিয়রশিং থাদোক্তুনা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈখি। মুসু অমদি য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিনা উহৌ-খঙহৌদবা, পামদবা থোক্লম্বা তারবসু থৌদোক অদু থোক্লিঙৈ মনুংদা মুসু অমদি য়ুনিভর্সিটিগী সিক্যুরিটি ওফিসরনচিংবদা আর এস এফনা মাঙজৌননা হায়বীরল্লবদি হেন্না লৈবাক মচা তাবা অমদি এম য়ু অসিবু হেন্না অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবদা থৌদাং য়াই হায়না লৌজরমগদবনি। অদুবু ওন্ন-তৈনবদা চুম্মী-লাল্লি খঙদ্রিঙৈদা য়ুনিভর্সিটি অসিবু লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহন্ননবা আর এস এফনা মীদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোকপীরক্লিবা ৱাফমশিং অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অদুগীসু মথক্তা আর এস এফকী থৌমীশিংনা করম্বা মতমদা নুপা অমত্তা চৎনদবা গার্লস হোষ্টেল লম্বীদা করম্বা ইন্টেন্সনদা চৎতুনা য়েংশিল্লিবনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি।

য়ুনিভর্সিটি অসিবু অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবদা আর এস এফনা পীবীরকপা সজেসন অমসুং মতেং খূদিংমক মুসুনা তরাম্না ওকচগনি। অদুবু খুদম চাংদম য়াওদনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মিংচৎ শোকপা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকপীরকপদি মুসুনা তরাইনা লৌদে। লৈবাক মীয়াম্না লান্না উহনখিবগী থৌওং অসিগী মতাংদা আর এস এফনা নুমীৎ নীনিগী মনুংদা মুসুগী ওফিসতা খুদম চাংদম পুদুনা লাক্লগা পুন্না শেংদোকমিন্নবগী তাঞ্জা অদু লৌমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSES FOR ALL AGES
ALONG WITH X & XII ENGLISH CRASH COURSES
FOR MANIPUR BOARD & COUNCIL
PLEASE CONTACT 8974642764 FOR DETAILS
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK,
IMPHAL
HL-B/6689/10/1-7/2(alt)

YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
A UNIT OF MICRO FINANCE
H/O : CHINGMEIRONG, IMPHAL
NEAR : EASTERN MOTOR
: লোন লৌবীয়ু
হানবগী ওইনা ৫০,০০০ দগী ১,৫০,০০০ ফাওবা।অ
পীকপা শেন্দোইদা ফংবীরগনি।অ
াগী অমদি থাখাইগী অপীকপা শেন্দোইদা 1.5% তা লোন লৌবীয়ু।থ
কনাগুম্বা INVESTOR শিংনা INVEST তৌবীনীংলবদি OFFICE তা লাকপীদুনা
কুপ্পা মরোল তানবীয়ু।অ
Sd/- Manager
Y.G. FINANCE, Chingmeirong, Imphal East
7629922092 / 7005862472 # (HL-B/6737/28/1-11/3 (alt